# রুকমিনিগা শ্রীকৃষ্ণগা লুহোংবগী নীংশিং থৌরমদা লমদমসিগী মীয়াম শরুক য়াগদৌরি

ইম্ফাল,জনুৱারি ০৯(এস এন এস)ঃ
অৰাং নোংপোক নিঙোল রুকমিনিগা শ্রীকৃষ্ণগা লুহোংখিবগী নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা এপ্রিলগী অহানবা চয়োলদা গুজরাত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মাধভপুর মেলাদা অৰাং নোংপোক্কী ষ্টেট নিপালনা পাক চাওনা শরুক য়াগদৌরি। চহীগী মেলা অসি পোর বন্দর দিষ্ট্রিক্কী মনুং চনবা মাধভপুর ঘেদদা রাম নবমিন মেলা লোয়রবা মতুংদা এপ্রিল ২ দগী পাঙথোক্কদবনি।

মেলা অসি মশক নাইবা মওংদা মায় পাক্লা পাঙথোক্নবগীদমক দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন (দোনর) গী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (ইনিদপেন্ডেন্ট চার্জ) ডা. জিতেন্দ্র সিংহনা ময়াই তাংবল লৌদুনা অৰাংবা থাক্কী মীফম ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা গুজরাত গৱর্ণমেন্টকী সেনিয়ার ওফিসিয়েলশিং, নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল (এন ই সি) গী সেক্রেটরী মোসেস চলাই, মণিপুর, অরুনাচল প্রদেশ অমদি অসামগী রেসিদেন্ট কম্মিস্নারশিংনা শরুক য়াখি।

ডা. জিতেন্দ্র সিংহনা ওফিসিয়েলশিং অদুদা অৰাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী কলচরেল প্রোগ্রাম, ক্রাফ ফেষ্টিভেল অমদি ফুদ ফেষ্টিভেল গুজরাতকী অহমেদবাদ য়াওনা অচৌবা সহরশিংদা পাঙথোক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাওথোকখিবা 'এক ভারত শ্রেথ ভারত' মিসন মখাদা গুজরাতকা অৰাং নোংপোক লমদমগা কলচরেল ইন্টিগ্রেসন শাগৎনবা পাউতাক পীখি।

গুজরাতকী মাধভপুর মেলা অসি অরুনাচল প্রদেশকী মিশমি ত্রাইবকা মরী লৈনহল্লি। ত্রাইব অসিগী নিংথৌনি হায়রিবা ভিশমক্কী মচানুপী রুকমিনি শ্রীকৃষ্ণদা লুহোংই হায়না থাজনৈ। পাঙথোক্কদৌরিবা মেলা অসি রুকমিনিনা অরুনাচল প্রদেশতগী গুজরাত ফাওবা শ্রীকৃষ্ণগা লোয়ননা চৎখিবা কাউণ্ড্রুরোইদৌবা খোঙচৎ অদু নীংশিংদুনা পাঙথোক্কদৌরিবনি। অরুনাচল প্রদেশকী লৱার দিবাং ভেল্লি দিষ্ট্রিক্কী মনুং চনবা রোইং মনাক্তা লৈবা ভিসমাকনগর অসি কালিকা পুরানদা য়াওই।

চয়োল অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা 'উৎসব' অসিদা মণিপুর, অরুনাচল প্রদেশ অমদি অৰাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী আর্ট, জগোয়, ঈশৈ, শৈরেং থিবা, ৱারী লিবা অমদি ফোল্ক ড্রামাগী ময়েক শেংলবা মশক অমা উহন্দুনা লমদম অনী অসিগী ইনাক খুল্লবা নাৎ চৎনবী অনীগী অপুনবা মশক উৎনবা হোৎনগদৌরি হায়না প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরোগী পাউ অমনা হায়রি।

মাধভপুর মেলা অসিদা মণিপুরগী জগোয় ঈশৈগী কাংলুপ অমনা রুকমিনিগা মরী লৈনবা খুল্লং ঈশৈ অমদি নট ঈশৈ শাক্কদৌরি। অসামগী ক্রুপ অমনা 'রুকমিনি হরন' কৌবা ফোল্ক থিয়েটর উৎকনি। রুকমিনি কৃষ্ণগী থাজনবা ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা ডান্স ড্রামা মণিপুরনা উৎপগা লোয়ননা অরুনাচল প্রদেশকী ইদু মিশমি ত্রাইবকী ফোল্ক ডান্সসু উৎকনি।

মেলা অসিদা ইন্দিয়া গৱর্ণমেন্টকী কলচরেল মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী নেসনেল সেন্টর ফোর আর্টস অমদি ইন্দিরা গান্ধী রাষ্ট্রিয়া মানব সঙ্গ্রলয়নচিংবনসু কৃষ্ণ অমদি রুকমিনিগা মরী লৈনবা আর্ট এন্দ ক্রাফটকী পোৎথোক কয়া পুথোকহন্নবগী থৌরাংসু তৌরি।

# লৈঙাক্লা থমখিবা থাজবা থবক ওইনা ওন্থোক্তনা লৈরেঃ এমসু

ইম্ফাল,জনুৱারি ০৯ (এস এন এস)ঃ
হৌখিবা কুমজা ২০১৯ গী জুন থাদা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী লৈরিবা অৰাৎপা কয়া থা ৬ কী মনুংদা পীগনি হায়না লৈঙাক্লা থাজবা থমখ্রবসু কুমজা ২০২০ গী জনুৱারি য়ৌরক্লবা ফাওবদা থবক্তা ওন্থোকপগী মমি তাদ্রি হায়না এমসুগী হ্যুমেন রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টগী সেক্রেটরী ক্রুস পেবমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অদু ঙসি ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) গী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, দি এম কোলেজবু য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা ওল্লক্লবসু য়ুনিভর্সিটি অমা ওইবগী চৎন–কাঙলোন অমদি অৰাৎপা কয়া লৈবদগী অৰাৎপশিং অদু মেনখৎহন্নবগী পান্দমদা এমসুনা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা হৌখিবা চহী ২০১৯ দা লৈঙাক্লা উন্দুনা পোইন্ট মঙা য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি। হায়রিবা মেমোরেন্দম অদুদা য়াওখিবা দি এম য়ুনিভর্সিটি বাই এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ান য়ুনিভর্সিটিজ (এ আই য়ু) দগী এফিলিয়েসন ফংহনগদবনি অমদি মহৈরোইশিংগী পীথোক্তনা লৈরিবা রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেটশিং পীথোক্লবা তকশিনখিবা দিমান্দশিং অদুদি লৈঙাক্লা থবক্তা ওন্থোক্তুনা এ আই য়ুদগী এফিলিয়েসন ফংলে অমদি মহৈরোইশিংনা রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেটশিং ফংবা ঙম্লে। মদুগীদমক লৈঙাকপু ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকই।

অদুম ওইনমক য়ুনিভর্সিটি অমগী লৈফম থোকপা য়ু জি সিগী মখাদা খনবা রেগুলর ভাইস চান্সেল্লর, দীন অমদি এগজামিনেসন কন্ত্রোল্লর হৌজিক ফাওবা লৈত্রি। ওজাগী অৰাৎপা লৈরিবা অসি ঙসি ফাওবা য়েংশিনবিদবদগী মতম মতমগী ইন–চার্জনা পুদুনা লৈরে অমসুং একাদেমিক কাউন্সিল থপ্পা ঙমদ্রি হায়না মহাক্লা মখা তানা হায়খি।

অমরোমদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী অন্দর গ্রেজুয়েট অমসুং পোষ্ট গ্রেজুয়েটশিংগী একাদেমিক সেল্লেবস এপ্রুভ তৌদবনা মরম ওইদুনা এগজামিনেসন অমত্তা মতম চানা পাঙথোকপা অমদি হায়দোকপা ঙমদনা লৈরে। মদুনা মরম ওইদুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোইশিংনা সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেটকী ওইবা স্কোলারশিপশিং এপ্লাই তৌনবা হোৎনবদা অচৌবা খুদোংচাদবা অমা মায়োক্নহল্লে। মসিনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোইশিং স্কোলারশিপ অমত্তা ফংদবগী ফীভমদা লৈরে হায়না হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, য়ুনিভর্সিটি অসিদা পিঐচ. ডি লৌবগী নোটিফিকেসন থোকপা ঙমদনা লৈরে। পোষ্ট গ্রেজুয়েট সাইন্স ষ্ট্রিমগী ওইনা মতীক চাবা লেবোরেটরি লৈতবা মরম্না প্রেক্টিকেল তৌনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে অমদি মতম চানা পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরে।

লোয়ননা চহী ২ গী মমাঙদগী য়ুনিভর্সিটি অসিগী ফী ষ্ট্রকচরদা ইন্টর কোলেজ ইভেন্টস অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্লিবা য়ুথ ফেষ্টিভেল য়াওননবা মহৈরোইশিংনা ফী থিরবসু য়াওবা ফংদনা লৈরি। মদুগী মথক্তা কোলেজকী ইনফ্রাষ্ট্রকচরনচিংবা অৰাৎ–অপানা পীক থন্না লৈরে। অৰাং নোংপোক্তা অফবা কোলেজশিংগী মনুংদা অমা ওইরম্না ধনমঞ্জরি কোলেজনা য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা পুখৎলক্লবা মতুং লৈঙাক্লা নাথেদুনা থম্না লাইবক থিবনি। মহৈরোইশিংনা তাল্লিবা দিমান্দশিং অদু অথুবদা লৈঙাক্লা ফংহন্দবা তারবদি মখল–মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লক্কনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# প্রোফেসার এস দোরেন্দ্রো চৈরাক পীগদবনিঃ দেসাম

ইম্ফাল,জনুৱারি ০৯ (এস এন এস)ঃ
মণিপুর য়ুনিভর্সিটি (এম য়ু) গী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টতা পি জি ডিপ্লোমা ইন এদভান্স মেটেরিয়েলস কোর্স হাংনবগীদমক য়ু জি সিনা লুপা লাখ ৬০ গী মনুংদা অহানবগী ওইনা থাদরকখিবা লুপা লাক্ষ ৪৩ বু লান্না শীজিন্নথোকখিবদা চাউনা চেন্নরিবা দিপার্টমেন্ট অসিগী মতমদুগী ঐচ ও দিসু ওইরিবা কোর্স অসিগী কো–ওর্দিনেটর প্রোফেসার এস দোরেন্দ্রো লৈবাক মীয়াম খঙনা চৈরাক পীগদবনি হায়না মহৈরোইলূপ দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) না ফোঙদোকখ্রে।

ক্বাকৈথেলদা লৈবা দেসামগী টেম্পরেরি ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউজী মীফম অমদা মথক্কী ৱাফম অসি মহৈরোই লূপ অসিগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী লৈশাংথেম লময়ানবনা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্লা মখা তরদুনা হায়খি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টতা পি জি ডিপ্লোমা ইন এদভান্স মেটেরিয়েলস কোর্স হাংনবগীদমক য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিস্ন (য়ু জি সি) না কুমজা ২০০৯ দা লুপা লাক্ষ ৬০ কায়থনবা অয়াবা পীখি। মসিগী মতুং ইন্না কোর্স অসি হাংনবগীদমক য়ু জি সিনা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা লুপা লাক্ষ ৪৩ কায়থখি।

অদুবু য়ু জি সিনা কায়থরক্লিবা লুপা লাক্ষ ৪৩ গী শেনফম অসি মতমদুগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টগী ঐচ ও দিসু ওইরিবা হাংগদৌরিবা কোর্স অসিগী কো–ওর্দিনেটর প্রোরফেসার এস দোরেন্দ্রোনা কোর্স অসি হাংনবা থবক পায়খৎপগী মহুত্তা অরানবা লম্বীদা শীজিন্নথোকখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা য়ু জি সিনা লুপা লাক্ষ ৬০ কায়থরক্কদবগী মনুংদা অহানবগী লুপা লাক্ষ ৪৩ কায়থরবা মতুং লেমহৌরিবা লুপা লাক্ষ ১৭ মখা তানা কায়থখিদ্রে হায়না মরাল শীরি।

য়ু জি সিনা কায়থরকখ্রবা শেনফম অসি করি করিদা শীজিন্নখিবনো হায়বগী য়ু জি সিদা য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট থারক্লবা খঙহনখ্রবসু হৌজিক ফাওবা থাগৎপা ঙমদনা লৈরি। লোয়ননা শেনফমশিং অদু লান্না শীজিন্নখ্রে হায়বা য়ু জি সিনা খঙবদগী শেনফমশিং অসি অমুক হন্না কায়থরক্লবা য়ু জি সিনা দিপার্টমেন্ট অসিদা চে থারকপসু লৈখ্রে। অসুন্না ওজাশিংনা য়ামখ্রবা শেনফম কয়া লান্না শীজিন্নখিদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা শেঞ্জা–থুমজাগা মরী লৈনবা ৱাথোক কয়া মমাঙ মমাঙদসু থোকখিবা লৈরে। অসিগুম্বা কয়া অসিনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসি মালেমগী নৎত্রগা লৈবাক অসিগী অফবা য়ুনিভর্সিটি ১০০ খনবদা ঙসি ফাওবা চানবা ঙমদনা লৈরিবনি।

মরম অদুনা ওজা অমা ওইবগী ইথিক্স ঙাক্তনা তোঙানবা কোর্স হাংনবগীদমক য়ু জি সিনা থাদরকখিবা শেনফম অরানবা মওংদা শীজিন্নথোকখিবা অসি য়ানীংদে। হায়রিবা শেঞ্জা–থুমজা তৌবা অসিদা মপূং ওইনা চেন্নরিবা প্রোফেসার এস দোরেন্দ্রোবু য়ুনিভর্সিটি অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভকী থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াহন্দবগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা চৈরাক পীগদবনি। হীরম অসিগী মতাংদসু য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটিদা দেসামগী মায়কৈদগী অইবা চেরোলসু থারগনি। লোয়ননা মণিপুরগী এদুকেসন দিপার্টমেন্টতা লৈরিবা শেঞ্জা–থুমজাগা মরী লৈনবা থবকশিং দেসামনা মখা তানা লৈবাক মীয়ামদা খঙহনখিগনি। দেসামনা লমদম অসিগী এদুকেসন সিষ্টেমদা শেঞ্জা–থুমজা থেংননবা হোৎনবদা লৈবাক মীয়ান্নসু মতেং পাঙবিয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা থোং নম্বোনবী ...

*লমায় ১গী মখা...* কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, কম্মিস্নার আর্ট এন্দ কলচর এম জয়, দাইরেক্টর আর্ট এন্দ কলচর এ সিবদাস শর্ম্মা ষ্টেট আর্কিওলোজিগী ওফিসিয়েলশিং য়াওনা নমথখিবা থোংগী শরুক অদু হকথেংননা চক্তুনা য়েংশিনখি।

পাউমী খরগা অখন্নরা ৱারী শান্নবদা মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়, জুলাই থাদা থোং অসিগী শরুক খরা নমথখিবা অদুদগী থোংগী নাক য়েত্তা শো লোনশিন্দুনা মী চঙবা থিংদুনা লাকখিবনি।

থোং অসি আর্কিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়ানা শকখঙলবা দি মণিপুর এন্সিয়েন্ট এন্দ হিষ্টরিকেল মোন্যুমেন্টস এন্দ আর্কিওলোজিকেল সাইটস এন্দ রিমেন্স এক্ট, ১৯৭৬কী মখাদা ঙাক শেন্দুনা থম্না মফম ৪৯গী মনুংদা অমা ওইবনা আর্কিওলোজিকেল সর্ভে ওই ইন্দিয়াদা চে ইদুনা থোং অসি শেমজিনবীনবা খঙহনখিবা লৈখ্রে।

মখোয়গী এক্সপার্ট টিম অমসু লাক্তুনা য়েংশিনলখিবা লৈখ্রে। লোয়ননা হান্নগী অদুগুম্না থোংঅসি শেমজিনবা য়াগনি হায়না ফোঙদোক্লম্বা লৈখ্রে।

মখা তানা মখোয়গী মীওইশিং লাক্তুনা শেমজিনবা ঙাইদুনা লৈবনি। ঙসি থোং অসি নিংখায়বগী পাউ তাবদগী এ এস আইগী ওফিসিয়েলশিংদা তেলিফোনগী খুত্থাংদা খঙহনবদা মদু নৌহৌননা শেমজিন্নবা শেনফম হাপ্লগে হায়বগী থাজবা পীরকপগা লোয়ননা মখোয়গী টিম অমা থারক্লগা য়েংশিনহল্লগে হায়নসু ফোঙদোরক্লে হায়খি।

দাইরেক্টর আর্ট এন্দ কলচর এ শিবদাশ শর্ম্মগা পাউচে অসিগা ৱারী শান্নবদা হায়, থোং অসি নৌহৌননা শেমগৎপা মতমদা হেক্তমক সিমেন্ট অমদি য়োৎ শিজিন্নরগা শেমজিনবা য়াদে। হান্ন শিজিন্নখিবা মচাকশিং অদু শিজিন্নরগা নৌহৌননা শেমগৎকদবা ওইবনা মতম খরদি চঙগনি। ষ্টেট লৈঙাক্লা প্রোজেক্ট অমা শেমগৎনবা চীফ মিনিষ্টরনা খঙহনলকপসু লৈরে। লোয়ননা এ এস আইগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী ওইনসু এক্সপার্ট কম্মিতি অমা তান্নরগা অথুবা মতমদা নৌহৌননা শেমগৎনবা থৌরাং তৌরি হায়না ফোঙদোকখি।

# দ্রগ শুংফম ১সু এন এ বিনা...

*লমায় ১গী মখা...*অমম্বগী খুদোংচাবা লৌরগা নাম্থোকখিবদগী ফাবা ঙমহৌদ্রে।

মহাক্লা হায়, মফমদুদগী ফাগৎলবা পোৎলমশিং দি শুংবা হৌরকপদা ঙাইরিবা ব্রাউন শুগর কে জি ৪৬১.৮৩, কানি মহি (মোর্ফিনেটেদ সোলুসন) লিটর ১৩৬, শুনু কে জি ১০০, কে জি অমমম চনবা এম্মোনিয়ম ক্লোরাইদ বোট্টল ১৭, চপখায়নবা য়োৎকী মেছিন ২, সেলিন্দর য়াওনা গ্যাস ষ্টোপ অমা, রব্বর গ্লোব ৪, অরুম্বা ওন্নবা সেরফালা অমা অমদি অতৈ পোৎলম কায়ানি।

ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু পাউমীশিংগী মমাঙদা পুথোক্লদুনা এস পিনা দ্রগ শুংবগী লেবোরেটরি অমা হাংলম্বা অসিগা মরী লৈননা পুলিস ষ্টেসন্না অসিনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা চেন্নবা ফানবা থিগৎপা হৌরে হায়খি।

অমরোমদা, এন এ বি পুলিস ষ্টেসন অসিনা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম ১৪দা পুন্না এক্কর ৯০০ রোমগী পাক চাওবদা থারম্বা পোপ্পী পাম্বী অমদি এক্কর ১৫ রোম চাওবদা থারম্বা গঞ্জা য়াম্থত্তুনা মাংহনখ্রে হায়না এস পিনা মখা তাখি।

# শিজ হোস্পিটালদা ম্যান্মার মচা ১ কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট ...

*লমায় ১গী মখা...* লাকখিবনি। মদুগী মতুংদা লৌখৎফম থোকপা লিগেলগী ওইবা থবক থৌরমশিং পায়খত্তবা য়াদবদগী চে চাংশিং লৌবগী তঙাইফদবা লৈবনা ম্যানমারদা অমুক হনখিবনি।

লোয়ননা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌবগী অয়াবা লৌনবা থবক থৌরম কয়া চঙশিনলকখিবনি। কোলকাতাদা লৈবা কোন্সুল জেনরেল ওফ ম্যানমারগী মায়কৈদগী মরি লৈনবা চে চাংশিং য়েংলবা মতুংদা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌবগী অয়াবা নবেম্বর ১ দা পীরকখি।

মদুগী মখা তারকপা ওইনা শিজ হোস্পিটালদা বেজ তৌবা ওঠোরাইজেসন কম্মিতিনা নভেম্বর ৯ দা এন ও সি পীবগা লোয়ননা ষ্টেট মেদিকেল্ল বোর্দকী চ্যারমেন ডা. কে রাজোনা নভেম্বর ১৪ দা এন ও সি পিখি।

মদুগী মতুংদা দিসেম্বর ৫ দা ভিদিও কাউন্সেলিং চথরবা মতুং দা দিসেম্বর ৬ তা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌনবগীদমক শিজ হোস্পিটালদা এদমিট তৌখি।

অৰাং নোংপোক্তা ইহান হানবা ওইনা চথখিবা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌবগী প্রোসিদ্যুর অদু ডা. সোমোরেন্দ্রো পি, কন্সলটেন্ট য়ুরোলোজিষ্ট অমদি রিনেল ত্রান্সপ্লান্ট সর্জন, ডা. গুলিভর পি কন্সলটেন্ট নেফ্রোলোজিষ্টনা লুচিংবা টিম অমনা দিসেম্বর ৭ তা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌখিবনি। অনাবা অসি দিসেম্বর ৩০দা হোস্পিটাল অসিদগী দিসচার্জ তৌরে হায়খি।

মহাক্লা হায়, হৌখিবা চহী কুমজা ২০১৮ গী ওগষ্ট ৮ দা লৈখা লম্বীদা ঙমখে লান্না চংথোক চংশিন য়াহনখ্রবা মতুংদা ম্যানমারদগী মেদিকেল টুরিষ্ট ১৯৭৪ ভিসা পায়রগা মণিপুরদা লায়েংবা লাকখি। হৌজিক ফাওবদা ম্যানমারদগী অনাবা ২৬২ ওপন হার্ট সর্জরি, জোইন্ট রিপ্লেসমেন্ট, কিদনি ট্রান্সপ্লান্টেসন, ব্রেন ট্যুমর, স্পাইন সর্জরি, মীৎ লায়েংবা, কোস্মেটিক সর্জরি অমসি নুঙগী লায়েংবগী খুদোং চাবা ফংখ্রে হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা ডা. গুলিভর পিনা হায়, ম্যানমারগী নুপী অসিগী কিদনি অসি মহাক্কী হেক পোকমীন্নবী মনাউনুপীনা দোনর ওইবনি। মসিগী লিগেলিটি ময়াম অদু ঙাইবা ওইনা থা অমরোম ম্যানমারদা অমুক হন্না হনলুবনি হায়খি।

রিনেল ট্রান্সপ্লান্ট সর্জন ডা. সোমোলেন্দ্রো পিনা হায়, কিদনি দোনর অমদি রিসিপিয়েন্ট অনীমক অসি মী নোয়বনা মরম ওইরগা অসিগুম্বা সর্জরি তৌবদা খুদোংচাদবা খরা মায়োক্লবা লৈখি। খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরবসু হোস্পিটাল অসিগী টিমনা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট মায় পাক্লা তৌখি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

মহাক্লা হায়, কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌবা অসি টিম ৱার্ক ওইনা চংশিন্দবা য়াদবনা মসি পুন্না থবক তৌমিন্নবনি। লোয়ননা মায় পাক্লা মসিগী সর্জরি পাঙথোকপা অসিমক শিজ হোস্পিটালগী ওইনা অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা হোস্পিটাল অসিগী মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্ট ডা. এস জুগিন্দ্রোসু শরুক য়াখি।

অনাবা অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইনা ফোঙদোকখিবদা অনাবা অসি চহী অমা হেন্না হিমোদাইএলাইসিস তৌদুনা লৈরকপনি। মহাক বেঙ্কোককী হোস্পিটাল অমদা লায়েংবদা কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌবা মতমদা মখোয়গী শেলদা লুপা লাক্ষ ১২০০ ইনিদয়াগী পৈশাদা চাউরাক্লা লাক্ষ ৬০ রোম চঙগনি হায়না হায়রকপদগী মণিপুরদসু মসিগী খুদোংচাবা লৈরে হায়বা তাবদগী মফম অসিদা লাকপনি। মসিদা চাউরাক্লা লাক্ষ ৪.৫ রোম খক চঙনা ওপরেসন অসি পাঙথোকপা অসিনা নুংঙাইবা ফাওই হায়খি।

# মৈদিংঙু চিংলেন নোংদ্রেনখোম্বা লৈখিদবগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল,জনুৱারি ০৯ (এস এন এস)ঃ
নেসনেল রি কন্সোলিদেসন দে ২০২০ গা মরী লৈননা ঙসি য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) না শীন্দুনা মৈদিংঙু চিংলেন নোংদ্রেনখোম্বা লৈখিদবগী চহী ১৮৬ শুবা নীংশিং থৌরম অমা কোনুং মমাঙদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্টকী প্রসিদেন্ট দব্লিউ সেকেন্দ, জেলিয়াংরোং য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট অমুক কামৈ, কুকি ইনপিগী প্রসিদেন্ট পু মাংচা হাওকিপ, জি পি ৱুমেন কোলেজগী এসোসিয়েট প্রোফেসার প্রোফেসার অবদুল হাক্কিম সাহ, ইন্দিজিনিয়স মাইনোরিটি সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট মোমসাকাম বাপুই অমদি মণিপুর য়ুনির্ভসিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ এন্থ্রোপোলোজিগী প্রোফেসার এম সি অরুননা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) কী প্রসিদেন্ট দব্লিউ সেকেন্দনা হায়, সেন্ট্রেল গৱর্ণমেন্টনা লমদম অসিদা নুংশি চান্নবা খুন্দমীন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি শান্নদুনা কাংলুপশিংবু খাইবুং খাইবুং তাহন্নবা হোৎনদুনা লৈরে। চৈরক অসিদা লমদম অসিদা খুন্দামীন্নরিবা ফুরুপশিংনা ঐগী হায়বা ৱাখল অদু থাদোক্তুনা অমত্তা ওইনা পুনশিনবগী মতম ওইরে। করিগুম্বা পুনশিনবগী মহুত্তা মচোই মচোই তাদুনা লৈরবদি লমদম অসিদা চহী তরেৎ খুন্তাকপা অমুক হন্না থোক্লোই হায়নিঙাই লৈতে।

লোয়ননা রিছার্সর, স্কোলার অদু হিষ্টোরিয়ানশিংনা লমদম অসিগী হিষ্টোরি ইবা মতমদা চীং অমদি তম অনীনা পূন্না হিংমীন্নরকখিবা অমদি চহী তরেৎ খুন্তাকপনচিংবা তোঙান তাঙানবা থৌদোক কয়াদা ৱামীন্নরকখিবশিং অদু কুপ্পা থিজিন্দুনা ময়েক লানা ইনবা মহাক্লা আপিল তৌখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মেদিংঙু চিংলেন নোংদ্রেনখোম্বা (মহারাজ গম্ভীর সিংহ) গী মিতমদা লৈশু কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

# এস এস এ অমদি রামসাগী ওঝাশিংনা খোঙজং চঙশিল্লগনি ঃ জে এস আর টি এ

ইম্ফাল,জনুৱারি ০৯ (এস এন এস)ঃ
রিগুলার ইমপ্লোয় ওইনা সরভা শিক্ষা অভিয়ান (আর এস এস) অমদি রাষ্ট্রিয়া মৈধ্যামিক শিক্ষা অভিয়ান( রামসা) গী মখাদা খনখিবা ওঝাশিং দা রিগুলার ইমপ্লোয়ি অমনা ফঙফম থোকপা হক অমত্তা পীদ্রিবা অসি লাক্লিবা জনুৱারি ১৩ ফাওবগী মনুংদা চপ চাবা ৱারোইশিন অমা পুরক্তুবদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না জোইন্ট এস এস এ অমদি রামসা টিচরস এসোসিয়েসন, মণিপুর (জে এস আর টি এ) গী ভাইস প্রসিদেন্ট নোংমাইথেম প্রকাস চন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্লা মখা তানা হায়, হৌখিবা চহী ২০১৯ গী দিসেম্বর ১৭ তা মফম অসিদা প্রেস কনফরেন্স অমা পাঙথোক্তুনা এস এস এ অমদি রামসাগী ওঝাশিংগী থা ৫–৬ পীথোক্তনা লৈরিবা তলব পীথোকপিনবা অমদি চপ চাবা ৱারোইশিন পুবিরক্লবা হায়জখিবা লৈরবনি। অদুবু পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা হৌজিক ফাওবা থবক অমত্তা পাঙথোকপীরকপা লৈত্রি।

ষ্টেট অসিগী ইমপ্লোয়ি খুদিংমক্তা খৃষ্টমাসকী এদভান্স সেলরি পীরবসু এস এস এ অমদি রামসাগী ওঝাশিং গীদি শরুক হাপ্পিদ্রে। মসিদসু নত্তনা দিপার্টমেন্ট ওফ এদুকেসন (এস) না থোকপা প্রাইমারি অমসুং গ্রেজুয়েট ওঝাশিংগী ওইবা সেনিয়ারিটি লিষ্টতা এস এস এ অমদি রামসাগী ওঝাশিং অমত্তা হাপ্পিদবনা নমথদুনা থম্বীরে।

মহাক্লা মখা তানা হায়, হৌখিবা চহী ২০১১–১২ দগী রিগুলার ওইনা থবক তৌদুনা লাক্লিবা ওঝাশিং অসিগী থাগী তলব চাং নাইনা পীবিদবদগী মমাঙদসু ওঝাশিংনা খোঙজং চঙশিনখিবা লৈরবনি। মসিদসু থা ২–৩ খক্তগী তলব পীথোক্লগা ওঝাশিং অসিবু ঙাইহাক ঙাইহাক্কী থেমদুনা থম্বীজিনবিরি।

মরম অসিনা লাক্লিবা জনুৱারি ১৩ দগী হৌদুনা ওঝাশিংগী ফঙফম থোকপা হকশিং অদুবু ফঙদ্রিবা ফাওবা মখল মখা কয়াগী দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি।

নুমিৎ অসিদগী ওঝাশিংনা মাগী মাগী পোষ্টিং মফমশিংদা চৎতুনা, লাক্লিবা ক্লাস ১০ অমদি ১২ গী ইগজামদা রামসা অমদি এম এস এ গী ওঝাশিংনা ইনভিজেলেটর ওইবা, চে খোৎপনচিংবা করিগুম্বা মখল অমত্তদা শরুক য়াদবনচিংবা মখল মখা কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিনবা হৌরগনি। মসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা মহৈরোই লূপশিং অমদি মীয়াম্নসু শৌগৎপিয়ু হায়না মঙাক্লা মখা তানা হায়খি।

# ফাষ্ট ট্রেক্ট স্পিসিয়েল কোর্ট ১০২৩ লিংখৎক্কদৌরি

ইম্ফাল,জনুৱারি ০৯ (এস এন এস)ঃ
লৈবাক অসিদা চহী ১২ গী মখাদা লৈবা পীক্লিবা নুপীমচাশিংবু রেপ তৌবিবা অমদি গেং রেপ য়াওনা নুপীশিংগী মায়োক্তা তমথিবা ক্রাইম কয়া অমা চথরকপা অসি য়েংলগা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি অমুক হন্না থোকহন্দনবা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমা ওইনা চেন্নবশিং থিহ্নবা তৌদনা চৈরাক পীবা য়াননবা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা পোক্সো অমদি রেপ কেসশিং অথুবদা দিস্পোজ তৌবা ঙম্নবা ফাষ্ট ট্রেক স্পিসিয়েল কোর্ট ১০২৩ লিংখৎলগনি হায়রি।

নুপী অমদি অঙাংশিংদা রেপ অমদি গেং রেপ চথবা থৌদোকশিং অসিগা মরী লৈনবা কেসশিং য়াম্না থুনা অমদি অককন্নবা মতমগী মনুংদা ট্রাইয়েল চথবদুনা মরাল লৈবশিংগী মথক্তা চৈরাক পীবগী তঙাই ফদবা লাক্লে। মসিগীদমক য়ুনিয়ন ওফ ইনিদয়ান দি ক্রিমিনেল লো (এমেন্দমেন্ট) এক্ট ২০১৮ শেমখ্রে।

ফাষ্ট ট্রেক স্পিসিয়েল কোর্টশিং লিংখৎনবগী খোঙথাং অসি নেসনেল মিসন ফোর সেফতি ওফ ৱুমেনগী শরুক অমা ওইনা পায়খৎক্কদৌরিবনি। ইনিদয়া লৈঙাক্ন লৈবাক অসিদা পুন্না এফ টি এস সি ১০২৩ স্কিম অসিগী মখাদা মেনখৎনবা থবক লৌখৎলকপনি। মসি মপুং ওইনা তোঙান তোঙানবা হায় কোর্টশিংদা লৈরিবা পেন্দিং কেসশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা লিংখৎক্কদবনি।

অপূনবা এফ টি এস সি ১০২৩ অসিগী মনুংদা কোর্ট ৩৮৯ দি পোক্সো এক্টকী মরী লৈনবা কেসশিং খক্তগী ওইনা কেস ১০০ দগী হেন্না পেন্দিং লৈবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লিংখৎনবা ৱাফম য়াওরি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ লো এন্দ জষ্টিস রবি সঙ্কর প্রসাদনা লৈবাক অসিগী ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিংদা অসিগুম্বা কোর্ট অসি লিংখৎপগা লোয়ননা স্কিম অসি মপুং ফানা থবক ওইনা ওন্থোক্তুনা নুপী অঙাংগী মায়োক্তা চথবা তমথিরবা ক্রাইমশিং অসি মায়োক্লনবা অপিল তৌখি।

লৈবাক অসিগী ওইনা অপুনবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৩১ গী মনুংদা ২৪ দি স্কিম অসিদা য়াওরে। ষ্টেটশিং অদুদি অন্ধ্র প্রদেশ, অসাম, বিহার, ছটিসঘর, গুজরাত, হরিয়ানা, হিমাচল প্রদেশ, ঝরখান্দ, কর্নাটকা, কেরলা, মধ্য প্রদেশ, মহারাষ্ট্রা, মণিপুর, এন সি টি ওফ দিল্লি, নাগালেন্দ, ওড়িষা, পঞ্জাব, রাজস্থান, তামিল নাদু, তেলঙ্গানা, ত্রিপুরা, য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওফ চানিদগর, উত্তরখন্দ অমদি উত্তর প্রদেশনি।

হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিদা পোক্সোগী কোর্ট ৩৫৪ য়াওনা এফ টি এস সি পূন্না ৭৯২ লিংখৎক্কদৌরি। লেমহৌরিবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খুদিংমক্তসু স্কিম অসি থবক ওইনা পায়খৎনবা অকন্নবা মওং দা চঙশিল্লি হায়রি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিসকী দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিসনা হায় কোর্টশিং অমদি ষ্টেট লৈঙাকশিংদা অসিগুম্বা কোর্টশিং অসি লিংখৎপদা মতেং পাংনবা মীৎয়েং থমদুনা চঙশিল্লি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ১২ দা স্কিম অসিগী মখাদা পোক্সো কোর্ট ২১৬ তি মথৌ তৌবা হৌখ্রবনি।

# মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহ ১সুং নরসিংহ ...

*লমায় ১গী মখা...* বদজেটতা হাপ্লগনি হায়খি।

ষ্টেট অসিগী ওইবা রিসোর্ছ লৈতবনা লৈঙাক অসিনা অৱাবা কয়া থেংনরি। লমদম অসিগী এগ্রিকলচর, ফিসরিজ অমদি হোর্টিকলচরদা মায় ওনশিন্দুনা মীপান তাংদনবা হোৎনরসি হায়খি।

মপান্দগী পুশিল্লকপা পোৎলমশিং দা তাংলগা হিংবগী তোক্লসি। অসিগুম্বা পোৎলমশিং চাবদগী লায়না মখল কয়া নাহল্লকপগী চাং ৱাংখৎলক্লি।

টুরিজম, এগ্রিকলচর অমদি হোর্টিকলচরগা মরী লৈনবা থবকশিং দা মীয়াম্না মায় ওনশিল্লগা থবক তৌরকপা মতমদা মদুদা টেক্নিকেল অমদি ফাইনান্সিয়েল সপ্পোর্ট পীনবা লৈঙাক্লা থৌরাং তৌদুনা লৈরি হায়খি।

ষ্টেট অসিগী ওইনা তুংগী মীরোলদা অচৌবা শিংনবা অমা ওইরিবা দ্রগকী মায়োক্তা ষ্টেট পুলিসকী মায়কৈদগী অকন্নবা দ্রাইভ চথদুনা গেঙ খুৎপু কয়া ফাবা ঙম্লে। দ্রগকী ইশু অসি মীয়ামগা লোয়ননা পুন্না থেংনমিন্নসি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা আপীল তৌখি।

নহাশিংনা দ্রগকী ইপাক্তগী নাথেবা ঙম্নবগীদমক শান্না খোৎনবা অমদি আর্ট অমদি কলচরগী লমদা মায় ওনশিল্লসি হায়খি। ষ্টেট অসিগী ফুটবোল টিম আই লিগতা ক্বালিফাই ওইবশিংদা লুপা লাক্ষ ৫০–৫০ পীনবা কেবিনেটনা লেপ্পবা লৈখ্রে হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা ইকাই খুম্নরবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়, পুৱারীগী থৌদোকশিংদগী ঙসিগী মীরোলনা অফবা ৱাখল্লোন কয়া লৌহৌবা তঙাইফদে।

ঐখোয় মশেলগী লিংজেল মান্নদবনা অতোপ্পনা খুদোংচাবা লৌখি হায়বসি পুৱারীনা ময়েক শেঙনা তাক্লি। পুৱারীগী তাঙ্কক কয়া অসি কুপ্না নৈনসি। লৈবাক্কী ফম্নাইবশিংগী মরক্তা মতং চাদনা ফম মুন্নবগী লাল তৌগুমসি।

চহী ৭ খুন্তাকপগী মতমদা মণিপুরবু অমুক হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা সনা হিরাচন্দ্রনা লৌরম্বা থৌদাং অদু তমজনিঙাইহনি। ষ্টেট লৈঙাক্লা শেল লৈজদ্রবসু তঙাইফদবা থবকশিং তপ্পা তপ্পা শেমগৎলক্লি।

নিংথৌ গম্ভীরসিংহগী নীংশিং খুভম অসি শেমগৎকনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মমাঙদা লাওথোকখিবা অদু লৈবাক্কী ইশুনা মরম ওইরগা হন্দক নংদ্রবসু মথংগী চহীগী থৌরম নংনবা শোয়দনা শেমগৎনবা থবক লৌখৎপীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি। লমদম অসিগী অথৌবশিংগী থৌরমদা চাউথোকচবা ফাওবগা লোয়ননা মীয়াম্না থৌরম অসিদা শরুক য়াফম থোকই হায়খি।

থৌরম মপু ওইখিবা আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়, ঙসিগী থৌরম পাঙথোক্লিবা মফম অসি হান্নদগী অহোংবা খরদি পুরকপা ঙম্লে। আর্ট এন্দ কলচরগী বদজেট য়াম্না পীকপা মরম্না মীয়ামগী নিংবা থুংহনবা ঙমদবা লৈ।

দিপার্টমেন্ট অসিদা হিরম কয়াদা অৱাৎপনা পীক থল্লে হায়খি। অদুম ওইনমক লৈরিবা শেনফম খর অসিনা শেমগৎপা ঙম্বা মখে শেমগৎনবা হোৎনরি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা নিংথৌ গম্ভীর সিংহ অমদি নরসিংহগী ফোটোদা লৈ শু কত্তুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

## ইমোইনু ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,জনুৱারি ০৯(এস এন এস)ঃ
চহী খুদিংগী ৱাকচিংগী ১২ পানবদা পাঙথোকপা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি থৌরম কংলৈচা পুনশিন লূপনা শীন্দুনা অনীরকশুবা ওইনা থা অসিগী ৭ তা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ন্যু দিল্লিগী বিজয়নগরদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা দিল্লিদা লৈবা মৈতৈ ইচিল ইনাউশিং অমদি দিল্লি য়ুনিভর্সিটিদা প্রোফেসার ওইনা থবক তৌরিবা ওজা কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা কংলৈচা পুনশিন লূপকী প্রসিদেন্ট য়াইফবা সাপমনা হায়, মৈতৈ ফুরুপকী তুংলমচৎ অসি ঐখোয়গী লাইনিং অমদি ইনাৎনা শেমজগদবনি।

ঐখোয়গী ইশাগী তুংলমচৎ অমা শেম্নবগীদমক ইশানা ইশাবু মশক খঙবা মথৌ তাই। ঐখোয়না ঐখোয়গী হৌরকফম খঙলবা মতমদা ঐখোয়গী হৌরকফম অদু নুংশিবা ফাওগনি।

মতম অদুদা ঐখোয়গী হৌরকফমবু মুংখিগদৌবা, মাঙখিগদৌবদগী কন্নিংবগী ৱাখল্লোন ফাওরক্কনি। মসিগী ৱাখল্লোন অসি ফাওনবগীদমক ঐখোয়গী ইনাৎকী হৌরকফম ওইরিবা পুয়াবু খঙবা তঙাইফদে।

ঐখোয়গী চৎনবী লোনচৎ কয়া অসি মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মৈতৈ ফুরুপ ঐখোয়না ঙাক্লা চৎলবা মতমদা ইনাৎ অমদি লাইনিং কনবা ঙমগনি।

দিল্লিদা পাঙথোক্লিবা অসিগুম্না মালেমগী মৈতৈশিংনা তারিবা মফমশিংদা অসিগুম্বা ইনাৎকী ওইবা থৌরমশিং অসি পাঙথোকহন্নিংই হায়খি। মতমগী মতুংইন্না কে পি এলনা অসিগুম্বা ইনাৎকী ওইবা থৌরমশিং পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনরি হায়খি।

## পেন্টিং কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৯ (এস এন এস)ঃ
লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর, ককচিংনা শীন্দুনা সেন্টর অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লিবা ৪ শুবা ককচিং বুক ফিয়ার ২০২০ গী ঙরাং ৬ নি চাবা নুমিত্তা মহৈরোইশিংগী পেন্টিং কম্পিটিসন অমা পাঙথোকখ্রে।

কেটাগোরি ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা ক্লাস মকোক মথং তারবা মহৈরোইশিংদা মনা মথুম য়েম্থোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কে এস ঐচ সিভাকান্তনা স্পিসিয়েল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

## দব্লিউ ৱাই ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৯ (এস এন এস)ঃ
ককচিং পুলিস কম্মান্দোগী কাংবুনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তাবা মতমদা ককচিং লমখাই এরিয়াদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবা মতমদা মীওই অনীদগী লুপা লাক্ষ ৪ রোমগী দব্লিউ ৱাই টেব্লেট কয়া মরুম ফাগৎলে হায়রি।

দব্লিউ ৱাইগা কোন্ননা ফারবা মীওই অনী অদুদি তেংনৌপল ভিলেজদগী ঙামখোমাং মাতে এলাইজ মাংচা (২৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা চুংখোংপাউ মাতে অমদি দি মৌনাফাই ভিলেজদগী জামথেংখাং হাওকিপ (২১) অপোকপা থোংখোলেট হাওকিপ কৌই। মখোয় অনী ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুগা লোয়ননা ককচিং পুলিসতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## লাক্ষ ৯০গী দ্রগ ফারে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৯(এস এন এস)ঃ
অসাম রাইফল ক্রুপনা লুপা লাক্ষ ৯০ রোমগী মযাই কব্বা দ্রগ ইম্ফাল মোরে লম্বীগী খুদেংথাবী চেক পোষ্টতগী ফারে।

আসাম রাইফলগী পাউনা, আসাম রাইফল ক্রুপনা ঙরাং ইম্ফাল মোরে লম্বীগী খুদেংথাবী চেক পোষ্টতা ফ্রিস্কিং চেকিং চথরিঙৈদা মোরেরোমগী সিলভর মচুগী ভেন রেজিষ্ট্রেসন নম্বর এম এন ০৪পি–০৭১১ অসি খান্নগা চেক তৌখি। গারী অদু এম দি রজাউদ্দিন (৪৬) কৌবা মীওই অমনা থৌরগা, এম দি অস্লম (১৮), এম দি মুস্তাকিম (২৩) অমদি তোংখোজাংবাইতে (৩৬) হায়রিবা মীওই অসি তোংলকখি। গারী অদু মখা তানা চেক তৌবদা দব্লিউ ৱাই টেব্লেট ৪০০০ অমদি প্লাষ্টিক পেকেট ৩৩ থোক্লা য়োম্বা পুন্না গ্রাম ৩৯০ লুম্বা ব্রাউন শুগর য়াওরম্বদগী মীওইশিং অদুগা কোন্ননা। ফারবা দ্রগ অদু মালেমগী কৈথেলদা লুপা লাক্ষ ৯০গী মমল ওইগনি। ফারবা দ্রগ অমদি মীওইশিং অদু মোরে পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## আই এম: নাগাশিংগী..

*লমায় ১গী মখা...* খক্তা পাক চাওবনি। অদুগা অশেংবা নাগালেন্দদি স্কার কিলোমিটর ১,২০,০০০ পাক চাওবনি হায়বা ৱাফমসু চেরোল অদুদা ফোঙদোক্লি।

নাগাশিংবু কোলোনিয়েল পৱারনা তোঙান তোঙানবা এদমিনিষ্টেটিক য়ুনিটকী মখাদা পোলিটিকেল ওইবা মরমশিংদগী খাইদোক্তুনা থম্লম্বনি। ইন্দিয়ান নাগা, বর্মিজ নাগা, মণিপুর নাগা, অসাম নাগা, অরুনাচল নাগা অমদি নাগালেন্দ নাগা হায়বা লোন অসি কোলোনিষ্টশিংনা শিজিন্নরম্বা অরানবা লোননি হায়না মখা তারি।